# অসামদা পোজিটিভ ২,৭৯৩, মেঘলয়াদা ৬০২ থেংনখ্রে

গুৱাহাটি/শিলোং, জুন ২৫ (এজেন্সী):
অসামদা হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ২,৭৯৩ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ২৬ শিহনখি। অদুগা মেঘলয়াদনা পুং২৪ গী মনুংদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৬০২ থেংনখিবগা লোয়ননা ৭ শিহনখি।

অসাম হেল্থ মিনিষ্টর কেসব মহন্তনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না হৌখিবা পুং ২৪ দা ষ্টেট অদুগী ওইনা টেষ্ট তৌনবগীদমক লৌখৎখিবা অপূনবা সেম্পল ১,৩৯,১০৫ কী মনুংদা কোভিদ পোজিটিভকী কেস ২,৭৯৩ থেংনখিবনি। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভিটিগী রেট অসি চাদা ২.০১ ওইরি। অদুগা রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৩.১২ ওইরি। ঙসি থেংনখিবা অপূনবা কেস মশীং অদুগী মনুংদা ১৬৫ দি কামরূপ মেট্রো দিষ্ট্রিক্ট খক্তদগীনি হায়রি।

অমরোমদা মেঘলয়াদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৬০২ থেংনখিবগা লোয়ননা লায়না লাইচৎ অসিনা মীওই ৭ শিহনখি হায়না নেস্নেল হেল্থ মিসন মেঘলয়াগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না ষ্টেট অসিদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ৮১৪ শিহনখ্রে। মেঘলয়াদা থেংনখিবা অপূনবা কেসশিংগী মনুংদা ৪২,০০১ দি মপুং ফানা রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে। ষ্টেট অসিদা হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯ গী এক্তিভ কেস ৪,৬৬৫ লৈরি। হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা ষ্টেট অসিদা মী শিহনবা ঙন্বা লায়না লাইচৎ অসিদগী মীওই ৩৫৪ রিকোভর তৌখ্রে হায়রি।



বি জে পি মণিপুর প্রদেসকী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর খুন্দ্রাকপম মেঞ্জোর মঙাং অমদি পি দব্লিউ দিগী ওফিসলশিংনা ঈ ও ৱাই ও কে খাঙবোককী থৌমীশিংগা লোয়ননা মতম কুইনা শেমজিন্দনা লাক্লবা খাঙবোক বংসিবুদোনদগী খা খুন্দোন তাবা লম্বী শেমজিনবগী থবক হৌখিবা

# অৱাং নোংপোক্কী এয়র কনেক্তিভিটি মখা তানা হেনগৎহনখ্রে



অগরটালা, জুন ২৫ (এজেন্সী):
ইরাই নুমিত্তা প্রাইভেট এয়র লাইন 'ফ্লাইবিগ' না অসামগী গুৱাহাটি অমসুং দিব্রুগরগী মরক্তা লৈরিবা অনৌবা রুটশিংদা মসিগী ওপরেসন হৌখিবগা লোয়ননা রিজনেল কনেক্তিভিটি স্কিন-উরে দেস কা নাগরিক (আর সী এস-উরান) গী মখাদা অৱাং নোংপোক লমদমদা মখা তানা এয়র কনেক্তিভিটি হেনগৎহল্লে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্ডিয়া (এ এ আই) গী ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকপদা ইরাই নুমিত্তা প্রাইভেট এয়রলাইনর ফ্লাইবিগকী ফ্লাইট অমা অগরটালাদগী গুৱাহাটি ফাওবা অমসুং অগাটালাদগী দিব্রুগর ফাওবগী দাইরেক্ট ফ্লাইটশিং হৌখি।

কেপিটেল অগরটালাদগী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ২০ লোম লাপ্পা লৈবা মহারাজ বির বিক্রম এয়রপোর্টতা পাঙথোকখিবা ফ্লাইট হৌদোকপগী থৌরমদা ফ্লাইট অদুদা ৱাটর কেনন সেলুট পীখি। এ এ আইগী ওফিসল অমগী মতুং ইন্না ফ্লাইবিগকী ফ্লাইট অদু রুটশিং অসিদা চয়োল অমদা নুমিৎ হুমনি হায়বদি নিংথৌকাবা, যুমশকৈশা অমসুং ইরাই নুমিত্তা ওপরেট তৌগনি। অনীশুবা কোভিদ-১৯ গী ৱেভনা এভিয়েসন ইন্দষ্ট্রিদা শাফু অমা পীরিঙৈ তালকসিদা রুটশিং অদুদা অনৌবা ফ্লাইট ওপরেসনশিং অসি হৌদোকখিবনি।

মসিনা অতৈ এয়র লাইনশিংদি মোরেল বুষ্টর ওইদুনা মখোয়গী ওপরেসনশিং হেন্না পাকথোক চাওথোকহনবদা হেন্না মতেং ওইরগনি। মসিনা অগরটালা অমসুং অতৈ অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মরক্তা এয়র কনেক্তিভিটি হেনগৎহল্লগনি হায়না ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়, উদানগী মখাদা পায়খৎপা আর সী এস স্কিম অসিনা ফ্লাইট অতোংমনশিং নোর্মেল রুটশিংদগী হন্থহনগনি। হৌখিবা থাদা ফ্লাইবিগনা গুৱাহাটি-পাসিঘাট (অরুনাচল প্রদেশ) রুটশিংদা মসিগী ওপরেসন হৌদোকখি।

# জেলদা লৈরিবা অখিল গোগোই মশা নারিবা মমাগা উনবা য়াহনখ্রে

গুৱাহাটি, জুন ২৫ (এজেন্সী):
জেলদা লৈরিবা সিব সাগরগী এম এল এ অমসুং রাইজোর দলগী লুচিংবা অখিল গোগোই ইরাই নুমিত্তা নেস্নেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ) গী কোর্টনা ঝোহরাটতা মশা নাদুনা লৈরিবা মহাক্কী মমা উনবগী অয়াবা পীখ্রে।

রিপোর্টরগী মতুং ইন্না এন আই এ কোর্টনা অখিল গোগোইদা ময়ুমদা চত্তুনা মমা উন্নবগী নুমিৎ নীনিগী মতম পীখ্রে। মসিগী মমাং হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অখিল গোগোইবু এন আই এ কোর্টনা চাবুৱা পুলিসতা রেজিষ্টর তৌখিবা কেস অমগা মরী লৈননা মরাল লৈত্রে হায়না লাউথোকখিবনি।

অখিলগী ৱকিলনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না চানমরি পুলিস ষ্টেসনদা রেজিষ্টর তৌখিবা অখিল গোগোইগী অতোপ্পা কেস অমগী হিয়ারিং হৌজিক মখা তানা চত্থরি। এদভোকেট কৃষ্ণ গোগোইনা হায়, রাইজোর দলগী প্রসিদেন্ট অসিগী মায়োক্তা কেস অনী রেজিষ্টর তৌখি। কে অমনা চাবুৱা পুলিস ষ্টেসনদা রেজিষ্টর তৌখিবনি অদুগা অতোপ্পা কেস অদুনা চানমরি পুলিস ষ্টেসনদা রেজিষ্টর তৌখিবনি। এন আই কোর্টনা য়ু এ পি এগী মখাদা রেজিষ্টর তৌবা অহানবগী কেস অদুগা মরী লৈননা গোগোইগা লোয়ননা জগজিট গোহাইন অমসুং ভুপেন গোগোইবু এক্যুইট তৌখিবনি।

# জুমিয়া ইমুংশিংদা লুপা ৩,০০০ পীরগনি

অগরটালা, জুন ২৫ (এজেন্সী):
ত্রিপুরা ট্রাইবেল এরিয়া ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (টিটিএএ বিসী) এদমিনিষ্ট্রেসননা কাউন্সিল অসিনা কোনবা এরিয়াশিংদা লৈরিবা জুমিয়া ইমুং ৫,৯৮৩ দা লুপা ৩,০০০/৩,০০০ পীননবা ৱারেপ লৌখ্রে।

টি টি এ এ বি সীগী দিপ্যুটি চীফ এগজিক্যুটিভ মেম্বর অনিমেস দেব বর্ম্মনা হীরম অসিগা মরী লৈননা হায়, কাউন্সিলগী এরিয়াশিংদা লৈরিবা জুমিয়া ইমুংদা শেলগী মতেং পীবগী থৌরাং লৈরে। থৌরাং অদুগী মতুং ইন্না জঙ্গলদা শিং শেংবগী থবক তৌরিবা মরু মরাংনচিংবা হুল্লিবা অমদি ঝুম কলটিভেসন তৌরিবা জুমিয়া ইমুং ৫,৯৮৩ দা লুপা ৩,০০০/৩,০০০ পীরগনি। ইমুংশিং অসিদা শেনফমশিং অসি পীনবগী প্রোসিদিং হৌননবা ত্রিপুরা গভর্ণমেন্ট ট্রাইবেল ৱেলফ্যার দিপার্টমেন্টনা খঙহনখ্রে।

অমরোমদা টি টি এ এ বি সীগী চীফ এগজিক্যুটিভ মেম্বর (সী ঈ এম) পুরনচন্দ্র জমাটিয়ানা হায়খ্রে মদুদি কাউন্সিল অসিনা মসিগী এরিয়াশিংদা লৈরিবা নহারোলশিংদগী পুলিস রিক্রুটমেন্ট চথনবা খন্নরি। সেনবা চহী ২০২০-২১ গীদমক্তদা ত্রিপুরা গভর্ণমেন্টনা টি টি এ এ বি সীগী বজেট ওইনা লুপা ক্রোর ৫৭৭.২৩ সেঙ্কসন তৌখ্রে। চৈরকসিদা ত্রিপুরানা লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ৩৫ গী মনুংদা চহী ৪৫ অমসুং মথক্কী মীওইশিং ভেক্সিন কাপ্পগী দ্রাইভশিংদা চাদা ৯৮ কোভর তৌবা ঙমদুনা টোপ পোজিসনদা লৈরে হায়না নেস্নেল হেল্থ মিসন, ত্রিপুরাগী মিসন দিরেক্তরনা ক্লেম তৌখ্রে।

# ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন অসি নাগালেন্দদদি ঈকায়খুম্নবিদ্রে: ষ্টেট কোংগ্রেস

দিমাপুর, জুন ২৫ (এজেন্সী):
নাগালেন্দদা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন অসি কনাগুম্বা অমত্তনা ঈকায়খুম্নবা উৎত্রে অমদি ঙাক্লা চৎত্রে হায়না নাগালেন্দ কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট কে থেরিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হৌজিক নাগালেন্দদা লৈঙাক পায়রিবা রুলিং পার্টিনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন ঈকায়খুম্নবা উৎত্রে হায়না মরাল শীরক্লি।

নাগালেন্দ প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট থেরিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াদা লৈবা ষ্টেট অমা ওইনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী ঈকায়খুম্নবা হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্কী ইথৌনি। কন্সটিট্যুসননা মীয়ামগীদমক্তা তোঙান তোঙানবা চৎনা কাঙলোনশিং শেমদুনা থম্লি। অদুবু নাগালেন্দ গভর্ণমেন্টকী ওইনদি য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফীভম অমা লৈরে।




নাগালেন্দদা থুংলগদবা পোৎ চৈ কয়া লৈঙাক্লা য়েংশিনদবনা মরম ওইরগা মতম চানা থুংলবা ঙমদ্রে। অমদি ষ্টেট অসিদা পুশিল্লকপা পোৎ চৈশিংদা য়ুনাইটেদ পিপলস দিমোক্রেটিক সোলিদরিটি (য়ু পি দি এস), করবি পিপলস লিবরেসন টাইগর্স (কে পি এল টি), নাগা রেংমা হিল প্রোটেক্সন ফোর্স (এন আর ঐচ এফ) অমসুং কুকি রিভোল্যুসনরি আর্মী (কে আর এ) দা পীফম থোক্তবা শেনফম কয়া টেক্স ওইনা পীরি। মসিদা নত্তনা য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসামনসু নাগালেন্দদা পোৎ পুদুনা চঙলকপা গাড়ীশিংদগী য়াল্লবা শেনফম কয়া খোমগৎলি।

নাগালেন্দদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ীশিং অদু চঙলক্লবা মতুং অমুক তোঙান তোঙানবা লালহৌবশিংগী ফেক্সন ১১ অমদি পুলিসশিংনা ফাওবা টেক্স লৌরি। হীরম অসিগী মতাংদা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা য়েংশিনদবনা মরম ওইরগা গাড়ী থৌরিবা কয়াদসু খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লি। লমদম অসি খুৎকন পাঙ্গনবা মীওইশিংনা তৌনিংবতা তৌদুনা লৈরি।

লৈঙাক্লসু মসিগী মতাংদা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লিবা অসি টেক্স খোমগৎলিবশিংগী মরক্তা মখোয়গী ওইবা মীওইশিং য়াওরমগদ্রা হায়বগী চিংনবা লৈ। মীয়াম্না চিংনরিবা অসি অথুবা মতমদা নাগালেন্দ গভর্ণমেন্টনা কোকহনগদবনি হায়রি।

মসিদা নত্তনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী অনীশুবা ৱেভনা অকনবা চৈথেং পীরিঙৈ মরক অসিদা সেন্তরনা লায়না লাইচৎ অসিবু ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা শীজিন্নবা কাইথরকখিবা শেনফমশিং লান্না শীজিন্নদুনা লৈরে। ষ্টেট অসিদা ভেক্সিনেসনগী থবক অতোপ্পা ষ্টেটকা য়েংনরুবদা চাং হন্থরি। কোভিদ-১৯ ভেক্সিন অমদি ভেক্সিনেসনগী মতাংদসু চীফ মিনিষ্টর নৈফ্যু রিওনা মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি হায়রি।



## EMPLOYMENT NEWS

Southern Railway Recruitment 2021 – RRC Chennai Recruitment 2021-22 iroams.com: RRC Southern Railway offers various level of Railway Job positions for 10th Passed, 12th Passed, ITI, Diploma, Degree, Sports Persons, Cultural and Scouts & Guides qualified candidates. In this post, IndGovtJobs updates RRCMAS Recruitment 2021 latest Job notifications and Upcoming Southern Railway Vacancies available here.
Southern Railway (RRC Chennai) invites online applications from eligible candidates for engagement as Act Apprentices under Apprentices Act 1961 in the esignated trades at various Divisions/ Workshops/ Units in the jurisdiction of Southern Railway. The last date for registration of online applications is 30th June 2021.
Southern Railway, Signal & Telecommunication Workshop / Podanur:
Category
Total Vacancies
Ex-ITI
1650
Fresher's
36
Division wise Vacancies for Ex.ITI: Signal & Telecommunication work shop / Podanur, Coimbatore - 59, Trivandrum Division - 683, Palghat Division - 666, Salem Division - 242.
Southern Railway, Central Workshop, Golden Park:
Division / Category
Total Vacancies
Freshers & I.T.I Candidates for Central Workshop / Ponmalai
334
ITI Candidates for Tiruchirappalli Division
217
ITI Candidates for Madurai Division
149
Southern Railway, Carriage Works, Perambur:
Category
Total Vacancies
Fresher's
80
Ex-ITI
856
Division wise Vacancies for Fresher: Carriage & Wagon Works, Perambur - 60, Railway Hospital/ Perambur - 80.
Division wise Vacancies for Ex.ITI: Carriage & Wagon Works, Perambur - 170, Electrical Workshop / Perambur - 120, Loco Works / Perambur - 214, Engineering Workshop / Arakkonam - 67, Chennai Division - RS/AJJ - 60, Chennai Division - RS / AVD - 88, Chennai Division - RS/TBM - 60, Chennai Division - DSL / TNP - 07, Chennai Division - C&W / Mech - 40, Chennai Division - RS / RPM - 27, Railway Hospital / Perambur - 03.
Age Limit:
The candidates should have completed 15 years of age and should not have completed 22 / 24 years for Freshers / Ex-ITI, MLT respectively.
The Upper age is relax able by 3 years for OBC, 5 years for SC/ST candidates and 10 Years for Person with Benchmark Disability (PwBD).
Stipend:
Fresher's - X std: ? 6000/- per month
Fresher's - 12thstd: 7000/- per month
Ex-ITI: ? 7000/- per month
Educational Qualifications:
Must have passed 10th class / Matriculation examination under 10 +2 system or its equivalent with minimum 50% marks in aggregate.
Must have passed ITI Course in relevant trades from a recognized institution.
Must have passed +2 Std under 10 +2 system with Science (Physics, Chemistry & Biology) for MLT Candidates.
Application Fee:
100/- only for General / OBC category candidates.
No fee for SC / ST / PwBD / Women category candidates.
The fee can be made through online payment mode.
Selection Process: The selection will be on the basis of Merit List (Matric / Higher Secondary / ITI Qualification Marks)
How to Apply: Eligible Interested candidates should apply online through RRC Chennai Online Registration Portal (iroams.com). The last date for registration of online applications is 30/06/2021 up to 5:00 PM.


---

Kerala PSC Government Jobs 2021 free job alert for 10th Pass, 12th Pass, ITI, Diploma and Degree holders. Kerala Public Service Commission (KPSC) invites online applications from qualified candidates for selection of various level of positions such as Superintendent, Assistant, Caretaker, Driver, Teacher, Peon, Managers, Overseer, Engineers, Assistant, Store Keeper, Nurse, Police Constable, Clerk, Typist etc.
Kerala PSC Teacher Recruitment 2021: Kerala Public Service Commission (KPSC) invites online applications from qualified candidates for selection of High School Teacher (Social Science) posts in Kerala Government Service. The closing date for registration of online applications is 7th July 2021.
KERALA PSC DISTRICT WISE CATEGORY NO: 203/2021:
Name of the Post
Total Vacancies
High School Teacher (Social Science) – Malayalam Medium
Not Estimated
Vacancy Districts: Thiruvananthapuram, Kollam, Pathanamthitta, Alappuzha, Kottayam, Idukki, Ernakulam, Thrissur, Palakkad, Malappuram, Kozhikode, Wayanad, Kannur and Kasargod.
Age Limit:
18 - 40 years
Only candidates born between 02.01.1981 and01.01.2003 (Both dates included).
Other Backward communities and SC/ ST candidates are eligible for usual age relaxation.
Scale of Pay: ? 29200 - 62400/- (PR)
Educational Qualifications:
A Degree in the concerned subject and B.Ed/ BT in the concerned subject both conferred or recognized by the Universities in Kerala.
Must have passed the Kerala Teacher Eligibility Test (K-TET) for this post conducted by the Government of Kerala
Exemption: Candidates who have qualified CTET/ NET/ SET/ M.Phil/ Ph.D in the respective subjects and M.Ed in any subject are exempted from acquiring TET.
Selection Process: Online Test (OMR)
How to Apply: Eligible Candidates must register as per One Time Registration through Kerala Public Service Commission Website (keralapsc.gov.in). The last date for registration of online applications is 07/07/2021 up to 12:00 Midnight.

---

Directorate General Border Security Force (BSF) invites applications from eligible candidates for recruitment vacancies of Group A, B & C combatised posts in Mi Fleet in BSF Air Wing on contract basis. The advertisement is open up to 31st December 2021.
Name of Post
No of Vacancies
Capt / Pilot (DIG)
02
Comdt (Pilot)
06
SAM (Inspr)
05
JAM (SI)
11
AAM (ASI)
16
Senior Flight Gunner (Inspr)
05
Junior Flight Engineer (SI)
04
Junior Flight Gunner (SI)
04
Place of Posting: Guwahati, Ranchi, Srinagar, as well as any other location to be decided by Competent Authority.
Pay Scales:
Capt / Pilot (DIG): ? 3.25 to 3.5 Lakhs per month
Comdt (Pilot): ? 2.8 to 3.4 Lakhs per month
SAM (Inspr): ? 1,40,000/- per month
JAM (SI): ? 1,30,000/- per month
AAM (ASI): ? 1,20,000/- per month
Senior Flight Gunner (Inspr): ? 1.55 to 1.65 Lakhs per month
Junior Flight Engineer (SI): ? 1.35 to 1.55 Lakhs per month
Junior Flight Gunner (SI): ? 1.35 to 1.55 Lakhs per month
How to Apply: The advertisement is open up to 31st December 2021 subject to availability of vacancies as per the requirement. Eligible candidates may apply and applications against there contractual vacancies will be accepted till 31st December 2021. Completed application along with requisite enclosures should reach to "DIG (Pers), FHQ BSF, Pers Dte, CGO Complex, Block 10, Lodhi Road, New Delhi - 110003".

## CROSSWORD-3821



**ACROSS**
1 Festival (4)
3 Seasickness (3,2,3)
9 Marine plant (7)
10 Hours of darkness (5)
11 Incompetent (5)
12 Calling (6)
14 Silly laugh (6)
16 Comfortable (2,4)
19 Capital of the Czech Republic (6)
21 Pattern (5)
24 Long-necked woolly animal (5)
25 Square-rigged sailing-ship (7)
26 Imperil (8)
27 Probabilities (4)

**DOWN**
1 Young geese (8)
2 Permission to do something (5)
4 Helping (6)
5 Hard-wearing material (5)
6 Reddish-purple (7)
7 Duty list (4)
8 Concerning teeth (6)
13 Emotions (8)
15 Floral wreath (7)
17 Place of worship (6)
18 Skimpy (6)
20 Cereal (5)
22 Great fear (5)
23 Run away (4)

**Solution 3820**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| H | O | P | E | F | U | L | ■ | L | I | B | E | L |
| E | ■ | L | ■ | R | ■ | I | ■ | I | ■ | L | ■ | E |
| R | O | U | G | E | ■ | G | A | L | L | A | N | T |
| E | ■ | T | ■ | I | ■ | H | ■ | A | ■ | T | ■ | B |
| T | H | O | U | G | H | T | ■ | C | R | A | V | E |
| I | ■ | ■ | ■ | H | ■ | S | ■ | ■ | ■ | N | ■ | ■ |
| C | R | A | F | T | Y | ■ | L | A | C | T | I | C |
| ■ | ■ | N | ■ | ■ | ■ | A | ■ | U | ■ | ■ | ■ | O |
| M | E | A | N | S | ■ | B | A | S | H | F | U | L |
| I | ■ | E | ■ | E | ■ | R | ■ | T | ■ | L | ■ | L |
| M | E | M | E | N | T | O | ■ | R | O | U | S | E |
| I | ■ | I | ■ | S | ■ | A | ■ | I | ■ | K | ■ | C |
| C | R | A | T | E | ■ | D | E | A | R | E | S | T |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

# HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3620**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 7 | | | 4 | 3 | |
| 8 | | | 2 | | | | | 9 |
| 1 | 4 | 7 | | 3 | | | 5 | |
| | 8 | | 6 | | | | | |
| | | | 4 | | 2 | | | |
| | | | | | 3 | | 9 | |
| | 9 | | | 6 | | 2 | 4 | 5 |
| 7 | | | | | 4 | | | 1 |
| | 6 | 8 | | | 5 | | | |

**Solution-3619**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 3 | 4 | 7 | 1 | 5 | 2 | 6 | 9 |
| 6 | 9 | 7 | 2 | 8 | 3 | 4 | 1 | 5 |
| 1 | 5 | 2 | 4 | 6 | 9 | 8 | 3 | 7 |
| 9 | 7 | 6 | 5 | 3 | 2 | 1 | 4 | 8 |
| 5 | 2 | 1 | 8 | 4 | 7 | 3 | 9 | 6 |
| 3 | 4 | 8 | 1 | 9 | 6 | 5 | 7 | 2 |
| 2 | 6 | 5 | 3 | 7 | 1 | 9 | 8 | 4 |
| 4 | 1 | 9 | 6 | 5 | 8 | 7 | 2 | 3 |
| 7 | 8 | 3 | 9 | 2 | 4 | 6 | 5 | 1 |







